# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 03-11-2024)

**চাক্কৌবা (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাওও তয়াম্বগা লোয়ননা নিংঙোল চাক কৌবগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লি।

মনিপুরিশিংনা খুন্দাবা অতৈ রাজ্যশিংদসু চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকরি। ময়ুম পানখ্রবী মচে-মচনশিংবু মবুং মৌপৱা অমদি মমা-মপাশিংনা চাক্কৌদুনা ঙমজবা খুদোল পীবনা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম লাকপগা ইরোইননা মনিপুরগী রাজ্যপাল-লক্সমন প্রসাদ অচারিয়া, মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং, রাজনিতি দলশিং, সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি লুচিংবা কয়ানা লমদম অসিগী নিংঙোল ওইবীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**মেলা (এল)ঃ** নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগা মরী লৈননা ঙরাং পাঙথোকখিবা ৪৫ শুবা ফিস ফেয়ার কম ফিস ক্রোপ কম্পিটিসনদা হান্না থমখিবা পান্দমদগী ঙা পুথোকপগী চাং ৱাংখি।

রাজ্যগী ফিসরি বিভাগকী দিরেক্তর-হৈস্নাম বালকৃষ্ণনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-ঙাগী মেলা অসিদা পুন্না ঙা কিলোগ্রাম লাখ অমা লিশিং ৫০ পুথোকবা পান্দম থন্লম্বা অদুদগী হেনগৎনা ঙা কিলোগ্রাম লাখ অমা লিশিং ৫৬ হেন্না পুথোকখি। মহাকা হায়-মেলা অসিগী মপুং ওইবা ফঙ্কসন হৌদ্রিঙৈদা স্তোর খরগীদি ঙা য়োনবা লোয়খি। মমাংগী মেলাশিংগা মান্নদবা মওংদা কুমশিগী ওইনদি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবদা ঙা পুমমক য়োনবা লোয়খি।

বালকৃষ্ণনানা হায়-ঙরাং পাঙথোকখিবা ঙাগী মেলাগী অথোই অহেনগী ফল হয়েং ফাওবদা লাউথোক্লগনি।

**বিরেন (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-রাজ্য সরকারগী ফিসরি বিভাগনা শিনদুনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা হপ্তা কাংজেবুংদা পাঙথোকখিবা ৪৫ রক শুবা ফিস ফেয়ার কম ফিস ক্রোপ কম্পিটিসনদা ঙা কিলোগ্রাম লাখ অমা লিশিং ৫০ পুথোকবা পান্দম থমখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-নিংঙোল চাক্কৌবা মাংওইননা অসিগুম্বা থৌরম পাঙথোকপা অসিনা লমদম অসিগী ঙামীশিংগী হোৎনজমন অমসুং কৎথোকপা অদু উৎলি। মেলা অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা ঙামীশিংনা অফবা মখলগী ঙাগী পোৎথোকশিং পুরক্তুনা অমত্তা ওইনা পুন্না য়োল্লরি। অসিগুম্বা লমদম অসিগী ঙামীশিংগী থৌওং অসিবু থাগৎনিংঙাইনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তাখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা থৌবাল, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ককচিং জিলাগী তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

চন্দ্রখোঙ অমসুং শিংজমৈদা লৈবা অসাম রাইফলসকী কেম্পশিংদসু নুমিৎ অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নিংঙোলশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। মফমশিং অদুগী স্কুলশিং অমদি রিলিফ কেম্পকী ওথোরিতিগা পুন্না খুৎশমদুনা শিনখিবা থৌরম অদুদা রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা কালা সংস্কৃতিগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চৎখি। মনিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বীদগা প্রিপাক (প্রো) গী কাদর অমা ফাখি। মহাক মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি। মঙোন্দগী গ্রেনেদ অমা, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা অমসুং মোবাইল হেন্দসেট অমা

ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা থৌবাল জিলাগী চরাংপাৎ ময়াই লৈকাইদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই মঙা ফাখি। মখোয় মীয়ামদগী শেল খায়বা অমসুং মী ফাবদা চেন্নবনি হায়রি। ফারবা মীওইশিং অদুদগী হেন্দ গ্রেনেদ অমা, কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী দিমান্দ লেট্টর অনি, মোবাইল হেন্দসেট মঙা, সিম কার্ড ১৩ অমসুং চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফংলে হায়রি।

মরক অসিদা, নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং নেসনেল হায়ৱেশিংদা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পুশিল্লক্লি। নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা গাড়ি ১১২ অমসুং নেসনেল হায়ৱে টুদা গাড়ি ১৯৭ পুশিল্লকখি।

**বিশ্বজিৎ (এল)ঃ** লৌউ শিংউ মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা ঙরাং এগ্রো মার্কেট সেট অমা হাংদোকখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী থোংজ্ বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবা ফৈজা লৈতোংদা শাবা মার্কেট সেট অদু রাস্ত্রিয়া ক্রিসি বিকাশ য়োজনাগী মখাদা শাবনি।

রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শিনবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা শ্রী থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়-হায়রিবা এগ্রো মার্কেট সেট অসি চয়োল অমগী মনুংদা অমুরক নৎত্রগা অনিরক হাংবা কৈথেলনি অমদি অসিগুম্বা কৈথেল অসিবু হট হায়রগা খঙনৈ। মহাকা হায়-লৌমীশিংনা মখোয়গী লৌউ শিংউগী পোৎথোকশিং অসিগুম্বা কৈথেলশিং অসিদা মীপাল তাংবা খক নত্তনা লমদম অসিদা পুথোক্তবা লৌউ শিংউগী ওইদবা পোৎথোকশিং লৈবগী খুদোংচাবসু ফংগনি।

**স্কুল (এল)ঃ** য়ুনাইটেদ এসোসিয়েসন ওফ রিকোগনাইজ স্কুলস ওফ মনিপুর অমসুং ওল মনিপুর রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী মীফম অমা ঙরাং থৌবাল হাডখাদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা তোঙান

তোঙানবা ৱারেপশিং লৌখি।

**বোক্সিং ঃ** য়ু.এস.এগী কোলেরাদোদা চত্থরিবা চহি ১৯ মখাগী ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা মনিপুরগী সুপ্রিয়া দেবী থোকচোম ফাইনেলদা লৈহৌরে।

তরেৎশুবা বাউটকী ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা কিলোগ্রাম ৫৪ গী কাংলুপকী ফাইনেলদা সুপ্রিয়াবু ইংলেন্দগী কেটলিন ৱাইজনা মায়থিবা পীদুনা লুপাগী তকমান ফংহৌবনি।

ভারতকী নিশানা ইংলেন্দগী এলিস পমফ্রেবু থোইদুনা কিলোগ্রাম ৫১ গী নুপীগী কাংলুপ্তা সনাগী তকমান লৌরে। নুপীগী কিলোগ্রাম ৮০ গী কাংলুপ্তা ভারতকী ক্রিতিকা ৱাসন সনাগী তকমান লৌরে। মহাকা চেক রিপাব্লিক্কী ষ্টেলা ব্লাজকোভাবু পোইন্টতা থোইখিবনি। নুপীগী কিলোগ্রাম ৬৫ গী কাংলুপ্তা পারথাবী গরেৱাল, নিদরলেন্সকী বোক্সরগী মখুৎতা মায়থিহৌরে। কিলোগ্রাম ৮০ হেনবগী কাংলুপ্তা ভারতকী ভনসিকা গোশ্বামী জর্মনগী বোক্সরগী মখুৎতা লৈহৌরে। কিলোগ্রাম ৯০ গী নুপাগী কাংলুপ্তা ভারতকী হেমন্ত সংৱান, য়ু.এস.এগী বোক্সরগী মখুৎতা লৈহৌরে।

**জম্মু ঃ** কাশ্মির তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙরাং থোকখিবা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা টেরোরিষ্ট অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা হাৎখ্রে।

অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। আই.জি.পি. কাশ্মির-ভি.কে. বরদিনা অকাশবানিদা হায়-খুৎ থোকবা অদুদা পাকিস্তানদগী লাস্করগী মকোক থোংবা কম্মান্দর অমা শিরে হায়বা খঙবা ঙমলে। টেরোরিষ্ট অসি কাশ্মির তম্পাক্তা মতম কুইনদগী হৌনা তোঙান তোঙানবা হিংশাশিংদা চেন্নবা মীশকনি।

ওপরেসন অদুদা সেক্যুরিতি পার্সোনেল মরি অশোক অপন নংখি। মখোয় মনাক নকপা হোস্পিতালদা লায়কন্নরি। মরক অসিদা, অৱাং থংবা কাশ্মিরগী বদি

দপোরাগী পনর এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওই কয়া চিংনবা মওংদা চৎপা থেংনবদগী মখোয়বু লেপবা হায়বদা টেরোরিষ্টশিং অদুনা সেক্যুরিতি ফোর্স তমা নোংমৈ কাপশিনদুনা অশুকপা উমং তমা চংশিনখ্রে হায়রি। মফম অদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। অদুমওইনমক, হৌজিমক্কী ওইনা মীফম মীপুনগী পাউ লৈতে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা হপ্তা কাংজৈবুংদা ৪৫ শুবা ঙাগী মেলা পাঙথোকখিবা, সেনাপতি জিলাদা পুং ২৪ গী টোটেল সটদাউন্দ লাউথোকখিবা অমদি জিরিবামদা মথৌ তৌরিবা সব ইন্সপেক্তর অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী পাউনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাড ওইনা ফোংলি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা পুং ২৪ গী টোটেল সটদাউন্দ হৌখ্রে। নবেম্বর তরেৎতগী ৮ ফাওবা তৌসেমদা টোটেল বন্দ তৌগদৌরি হায়না হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ফিস ফেয়ারদা ঙা কে.জি. লাখ অমা মখায় পুথোকপা ঙমখিবা অসি ঙামীশিংনা চোকথবা নাইদনা হোৎনবগী মহৈনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অমদি মনিপুরগী মিজোরামদা চংজফম লৌরিবা কুকিশিং মিজোরামগী ভোটর লিষ্টতা চনবা য়ারোই হায়বা ৱাই.এম.সিগী ৱাফমনা মনিপুর ন্যুজগী অহানবা অমদি অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-পৌমাই ফুবগী ৱাথোক-সটদাউন হৌখ্রে, সেনাপতি ফাওরগা গাড়ি চংবা থিংখিদৌরি অমদি চান-থকবা থিনদোক থিংজিন তৌবা রোবোর্ট মনিপুরদসু মন্ত্রি পুখ্রি সেন্ত্রেল একাডমীগী মহৈরোই লৈশাংথেম রুপনা শারে হায়বগী পাউনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

অন্সমনা হন্দক্তা হিল এরিয়াজ কমিতিনা লৌখিবা ৱারেপ অদুবু য়ানিংদবগী পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা-থাদৌ কনভেন্সন ২০২৪ না থাদৌ ফুরুপ কুকিগী মনুং চনবা ফুরুপ নত্তে হায়না ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউ অমদি ৪৫ রক শুবা ফিস ফেয়ার কম ফিস ক্রোপ কম্পিটিসন হাপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ ফোংলি। পাউ অসি মনিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইন্দিয়াদা শরেং ব্রিদিং তৌবা মনিপুরনা অহানবা ষ্টেট ওইরে হায়বা ফিসরিজ মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন (এন.পি.ও) না কুকি তাবা মফমশিংদা খুদক্তগী পোৎ চৈ পুশিনবা থিংখ্রে অমদি জিরিবামদা মথৌ তৌরিবা সব ইন্সপেক্তর অমা রাইফলমেন অমনা নোংমৈনা কাপ্পদা লৈখিদবগী পাউ সঙাই এক্সপেসকী ইংলিস অমসুং মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

জিরিদা সব ইন্সপেক্তর অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। মসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা হকচাং লৌখিরোই হায়বা পাউ অমদি মঙাশুবা অসাম রাইফলসনা মখোয়গী কি-লোকেসন পোইন্ট (কে.এল.টি) দা থা ১৮ পন্দুনা লৈরক্লবা মীওই মরি পল্লেনদা পুথোরকখ্রে হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা-ফৈজা লৈতোংদা এগ্রো মার্কেট সেট শঙ্গাখ্রে অমদি গভনরনা ভি.সি. অমসুং রেজিস্ত্রারশিং উন্নদুনা মনিপুরদা এন.ই.টি. চৎনহন্নবা খন্নখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।